ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩২৬শুবা মশীং

## ময়েক্তা ৱায়েৎ

### লৈহল্লকফম থোকপ্রা, থোক্তব্রা

মণিপুরসি পীকই, ফুরুপ-কাঙলূপ ৩০ হেনবনা পূন্না লৈমিন্নরক্লবসু মীশিং য়ামদে। অদুবু ষ্টেটসিগীনি হায়বা মীয়ামগী ওইবা থবক-থৌরম অমা পাঙথোরকপদা, ৱারেপ অমা লৌরকপদা অমগা অমগা চিনখুম হেক্তা মান্নরক্তে, মচিন কয়া থোক্লা লোংলকপগী থৌদোক হেক্তা থোকই। থোরক্লিবসিসু অমুক অনীরক য়াম্না তাঙনা থোকপা নত্তে। লমদমসিগী ওইবা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরকপা খুদিংগী থোরকই হায়বা ফাওবা য়াই। মসিগী থৌদোকশিংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লোইনা কোখোক্লুদ্রবসু খরদং পল্লবদা ষ্টেট এমব্লেম ওইরিবা কংলা শা ফাওবা মচি অমনি, অনী ওইগদবনি য়েৎনখি। কংলা শাগী ময়াদা কবাক খল্লি হায়, খন্দে হায়, খনবনা চুম্মী হায়, চুমদে হায়। কোন্নথংদা লৈঙাক্লা ঙমদুনা চুমদে হায়দুনা লৌথোকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা নীংতম লান ওইরিবা কুমজা ১৮৯১গী খোংজোম লান ফাওবা এপ্রিল ২৩দা শোক্লখিবনি, এপ্রিল ২৫দনি হায়দুনা য়েৎনরগা অনী থোক্লা পাঙথোকপা য়াওখ্রে। ময়েক্কী মতাংদসু তোঙান-তোঙানবা মশীং মান্নদবশিং মশীংশিংদুবু শৌগৎপা ৱাফমশিং পুথোক্লরক্তুনা য়েৎনখ্রে। চহী কয়া তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরক্লবা মতুংদা লৈঙাক্লা 'ময়েক ২৭' তা লেপখ্রে। ময়েকসি লৈঙাক্লসু য়াবদগী কুমজা ২০০৬তগী হৌরদুনা মহৈরোয়শিংদা থেঙ্খ্রাং নাইনা তমহল্লকপদগী হৌজিক মাষ্টরস দিগ্রী ফাওবদা ময়েকসি তম্লে। ক্লাস অসি ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা তমগদবা টেক্সট বুকশিং ফোঙলে। লিটরেচরগী লাইরিক কয়াসু হায়রিবা ময়েক মশীং ২৭সিদা ফোঙনরকপা হৌরে। ময়েকসিবু ইবা পাবা নীংথিজনা হৈরবা মীগী মশীং য়াম্না ৱাৎলিবা ওইরগসু তপ্না-তপ্না শীজিন্নবা হৌরক্লে। ময়েক ২৭সিদা নম্লগা ফোঙবা পাউচে ফাওবা লৈরক্লে। বেঙ্গলি ময়েক্তা ফোঙবা পাউচেশিংদসু ময়েকসি শীজিন্নদুনা পাউশিং ফোঙবা হৌরক্লে। হোৎনরক্লিবা ময়ামসিনবু লেপত্রবদি ময়েক ২৭সি মীপূম তিংনা খঙলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

অদুবু মীতৈ ময়েক ২৭না ফিভমসি য়ৌশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা হৌজিক ময়েক মশীং অসিনা অরিবা পুয়াশিং পাবদা খুদোংচাদ্রে হায়বগী ৱাফম পুথোক্লরক্লে। ৱাফমসি হৌজিক মণিপুরদা বেঙ্গলি লোলদা ফোঙবা পাউচেশিংগী শরুক মরি থোকপগী মনুংদা অমদি ময়েকসিদা ফোঙগদবনি হায়দুনা ফোঙনরকপদগী মথি ফোংলকপা ওইরগসু ৱাফমসিদি মীতৈ ময়েক্কী চপ চাবা মশীং লেপথোক্লমদাইদসু থোরকখ্রবনি। য়েৎনবা য়াবশিং য়েৎনরগা ময়েক ২৭তা অয়াম্বা শরুক্লা অয়াবা পীরকপদগী লৈঙাক্লসু শকখঙখ্রিবনি। মসি ওইরগদি হৌজিক্তুদা অমুক মথি ফোংলকপা চুমগদ্রা হায়বনি। মালেম শিনবা থুংনা শীজিন্নরিবা ইংলিস লোনগী ময়েক ফাওবা ২৬ খক্তনি। ইংলিসনা ২৬ ওইরবনিনা মীতৈ ময়েক্কীনা ২৭ ওইরক্লিবসিদা অদুম্মক য়াহল্লসি হায়বা নত্তে। হেন্না ফগদবা, কান্নগদবা ওইরবদি চহী চা কয়া চুপ্না শীজিন্নরক্লবসু হোংদোক-হোংজিন তৌরকপদা থোইদোক্তে। তৌবতবু অহোংবা-অওনবা পুরক্কদৌরিবা অদুগী মরম চাগদবনি, মীয়াম হুপ্নসু য়াবা ওইগদবনি হায়বনি। চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরনি। লৈবাক নিংথৌনা মপানগী লাইনিং লৌখিবদগী হান্নদগী লৈজরকপা মণিপুরগী অরিবা মখল পুম্নমক্কী লাইরিক (পুয়া) শিং খোমগৎলগা মৈ থাখ্রে হায়রগসু অমত্তা চিত্থদনা শিৎ-নান্না থাদোকখিবা ওইফম থোক্তে। চিত্থ-নান্থবা অমসুং থমজিন-খাকচিন্দুনা লোৎশিনহৌবা শোয়দনা লৈগনি। অদুবু লৈহৌরিবা পুয়াশিং অদু কয়ানো, ময়েক মশীং কয়া-কয়াদা ইরম্বশিংনো হায়বদুসু মাঙজৌননা থিদোকপা চুমগনি। মরমদি পুয়াশিংদু অমগা অমগা ময়েক্কী মশক মচু মান্নরমদ্রবদি পুয়া খুদিংগী ময়েক মশীং লেপ্পগী ফীভম লাক্কনি। তশেংনমক হৌজিক লেপ্তুনা চৎনরিবা ময়েক ২৭ অসিনা অরিবা পুয়াশিংদুনা চল্লম্বা পাউখোংশিং তশেংনমক ফোংবা ঙমদ্রবরা? ঙম্নবা হোৎনবদা ওইথোক্লরোইদ্রা হায়বরোমদসু নৈনবা চুমগনি। হোংদোক-হোংজিন য়াদে হায়বা নত্তে, হোংহল্লকপদু ফজদে, খুরৌসু থাংগনি হায়বনি।

## ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯋꯥꯌꯦꯠ

### ꯂꯩꯍꯜꯂꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ, ꯊꯣꯛꯇ꯭ꯔꯥ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯁꯤ ꯄꯤꯀꯩ, ꯐꯨꯔꯨꯞ-ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯳꯰ ꯍꯦꯟꯕꯅꯥ ꯄꯨꯟꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯗꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯊꯕꯛ-ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯔꯛꯄꯗꯥ, ꯋꯥꯔꯦꯞ ꯑꯃꯥ ꯂꯧꯔꯛꯄꯗꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯆꯤꯟꯈꯨꯝ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯃꯥꯟꯅꯔꯛꯇꯦ, ꯃꯆꯤꯟ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯂꯣꯡꯂꯛꯄꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯊꯣꯀꯏ꯫ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯅꯤꯔꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯥꯡꯅꯥ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯝꯗꯃꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯑꯔꯣꯏꯕꯥ ꯋꯥꯔꯦꯞ ꯑꯃꯥ ꯂꯧꯔꯛꯄꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯊꯣꯔꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯀꯣꯈꯣꯛꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯈꯔꯗꯡ ꯄꯜꯂꯕꯗꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯦꯝꯕ꯭ꯂꯦꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯀꯡꯂꯥ ꯁꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯃꯆꯤ ꯑꯃꯅꯤ, ꯑꯅꯤ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯅꯤ ꯌꯦꯠꯅꯈꯤ꯫ ꯀꯡꯂꯥ ꯁꯥꯒꯤ ꯃꯌꯥꯗꯥ ꯀꯕꯥꯛ ꯈꯜꯂꯤ ꯍꯥꯌ, ꯈꯟꯗꯦ ꯍꯥꯌ, ꯈꯟꯕꯅꯥ ꯆꯨꯝꯃꯤ ꯍꯥꯌ, ꯆꯨꯝꯗꯦ ꯍꯥꯌ꯫ ꯀꯣꯟꯅꯊꯡꯗꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯉꯃꯗꯨꯅꯥ ꯆꯨꯝꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯊꯣꯀꯈꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯆꯥꯑꯣꯕꯥ ꯅꯤꯡꯇꯝ ꯂꯥꯟ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯱꯸꯹꯱ꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯣꯝ ꯂꯥꯟ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳ꯗꯥ ꯁꯣꯛꯂꯈꯤꯕꯅꯤ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯵ꯗꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯌꯦꯠꯅꯔꯒꯥ ꯑꯅꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯑꯣꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯁꯨ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯃꯥꯟꯅꯗꯕꯁꯤꯡ ꯃꯁꯤꯡꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯁꯧꯒꯠꯄꯥ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯌꯦꯠꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯆꯍꯤ ꯀꯌꯥ ꯇꯔꯦꯠ-ꯇꯔꯥ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯈꯟꯅꯔꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ 'ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷' ꯇꯥ ꯂꯦꯄꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯁꯨ ꯌꯥꯕꯗꯒꯤ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯰꯶ꯇꯒꯤ ꯍꯧꯔꯗꯨꯅꯥ ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯊꯦꯡꯈ꯭ꯔꯥꯡ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯇꯝꯍꯜꯂꯛꯄꯗꯒꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯥꯁ꯭ꯇꯔꯁ ꯗꯤꯒ꯭ꯔꯤ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤ ꯇꯝꯂꯦ꯫ ꯀ꯭ꯂꯥꯁ ꯑꯁꯤ ꯐꯥꯑꯣꯕꯒꯤ ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯇꯃꯒꯗꯕꯥ ꯇꯦꯛꯁ꯭ꯠ ꯕꯨꯀꯁꯤꯡ ꯐꯣꯡꯂꯦ꯫ ꯂꯤꯇꯔꯦꯆꯔꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯃꯁꯤꯡ ꯲꯷ꯁꯤꯗꯥ ꯐꯣꯡꯅꯔꯛꯄꯥ ꯍꯧꯔꯦ꯫ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯕꯨ ꯏꯕꯥ ꯄꯥꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯖꯅꯥ ꯍꯩꯔꯕꯥ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯋꯥꯠꯂꯤꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯁꯨ ꯇꯞꯅꯥ-ꯇꯞꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯥ ꯍꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ꯁꯤꯗꯥ ꯅꯝꯂꯒꯥ ꯐꯣꯡꯕꯥ ꯄꯥꯎꯆꯦ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯂꯩꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯕꯦꯉ꯭ꯒꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯐꯣꯡꯕꯥ ꯄꯥꯎꯆꯦꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯎꯁꯤꯡ ꯐꯣꯡꯕꯥ ꯍꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯌꯥꯃꯁꯤꯅꯕꯨ ꯂꯦꯄꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ꯁꯤ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯈꯡꯂꯛꯄꯥ ꯌꯥꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯂꯩꯔꯦ꯫

ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ꯅꯥ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯌꯧꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯉꯩ ꯆꯩꯔꯥꯛꯇꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯌꯦꯛ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯄꯨꯌꯥꯁꯤꯡ ꯄꯥꯕꯗꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯕꯦꯉ꯭ꯒꯂꯤ ꯂꯣꯜꯗꯥ ꯐꯣꯡꯕꯥ ꯄꯥꯎꯆꯦꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯃꯔꯤ ꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯗꯥ ꯐꯣꯡꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯅꯔꯛꯄꯗꯒꯤ ꯃꯊꯤ ꯐꯣꯡꯂꯛꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯁꯨ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯆꯞ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯂꯦꯄꯊꯣꯛꯂꯝꯗꯥꯏꯗꯁꯨ ꯊꯣꯔꯀꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯌꯦꯠꯅꯕꯥ ꯌꯥꯕꯁꯤꯡ ꯌꯦꯠꯅꯔꯒꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ꯇꯥ ꯑꯌꯥꯝꯕꯥ ꯁꯔꯨꯛꯂꯥ ꯑꯌꯥꯕꯥ ꯄꯤꯔꯛꯄꯗꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯁꯨ ꯁꯛꯈꯉꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯨꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯃꯊꯤ ꯐꯣꯡꯂꯛꯄꯥ ꯆꯨꯝꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯁꯤꯟꯕꯥ ꯊꯨꯡꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯂꯣꯟꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯲꯶ ꯈꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯏꯡꯂꯤꯁꯅꯥ ꯲꯶ ꯑꯣꯏꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤꯅꯥ ꯲꯷ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯗꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯌꯥꯍꯜꯂꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯒꯗꯕꯥ, ꯀꯥꯟꯅꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯆꯍꯤ ꯆꯥ ꯀꯌꯥ ꯆꯨꯞꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ-ꯍꯣꯡꯖꯤꯟ ꯇꯧꯔꯛꯄꯗꯥ ꯊꯣꯏꯗꯣꯛꯇꯦ꯫ ꯇꯧꯕꯇꯕꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕꯥ-ꯑꯣꯟꯕꯥ ꯄꯨꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯆꯥꯒꯗꯕꯅꯤ, ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯍꯨꯞꯅꯁꯨ ꯌꯥꯕꯥ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯆꯍꯤ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯳ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯒꯥ ꯁꯥꯒꯣꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯥ ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯂꯧꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯂꯩꯖꯔꯛꯄꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯜ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ (ꯄꯨꯌꯥ) ꯁꯤꯡ ꯈꯣꯃꯒꯠꯂꯒꯥ ꯃꯩ ꯊꯥꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯁꯨ ꯑꯃꯇꯥ ꯆꯤꯠꯊꯗꯅꯥ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯊꯥꯗꯣꯀꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯏꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯦ꯫ ꯆꯤꯠꯊ-ꯅꯥꯟꯊꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯝꯖꯤꯟ-ꯈꯥꯛꯆꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣꯠꯁꯤꯟꯍꯧꯕꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯂꯩꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯩꯍꯧꯔꯤꯕꯥ ꯄꯨꯌꯥꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯀꯌꯥꯅꯣ, ꯃꯌꯦꯛ ꯃꯁꯤꯡ ꯀꯌꯥ-ꯀꯌꯥꯗꯥ ꯏꯔꯝꯕꯁꯤꯡꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯁꯨ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅꯥ ꯊꯤꯗꯣꯛꯄꯥ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯄꯨꯌꯥꯁꯤꯡꯗꯨ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯃꯁꯛ ꯃꯆꯨ ꯃꯥꯟꯅꯔꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯄꯨꯌꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯃꯁꯤꯡ ꯂꯦꯞꯄꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯂꯥꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯄꯨꯌꯥꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯜꯂꯝꯕꯥ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡꯁꯤꯡ ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛ ꯐꯣꯡꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕꯔꯥ? ꯉꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯂꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯔꯣꯃꯗꯁꯨ ꯅꯩꯅꯕꯥ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ-ꯍꯣꯡꯖꯤꯟ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯍꯣꯡꯍꯜꯂꯛꯄꯗꯨ ꯐꯖꯗꯦ, ꯈꯨꯔꯧꯁꯨ ꯊꯥꯡꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫

# পুন্সিদা থেংনরকপা অৱা নুংঙাইগী পাউদম খরা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৪২**

**জিতেন নামৈরাকপম**



অনৌবা অঙকপা পাউ নৎত্রগা শুংথা থাজদনা থোকপা থৌদোক ওইরম্বদগী উন্নীংদবা, তানীংদবা, থেংননীংদবা অমদি শুকপা হেক পানীংদ্রবা থৌদোকশিং মণিপুরদা হঞ্জিন হঞ্জিন থোক্লক্লি। য়েংবীয়ু, শোমদনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী তৌদবা য়াদ্রবা মিসন অমা ওইনা ৱার ওন দ্রগস খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লিঙৈ তাঞ্জাসিদা নুংতিগী দ্রগ ফাবগী পাউতনা নাকোং শীংজা য়ৈরে। নুংতিগী ফানা ফানা হয়েং হংচিৎকী পাউদা অমুক য়াওরক্কনি ব্রাউন সুগর লুপা ক্রোর অদুক্কী ফারে। হিরোইন নম্বর ফোর, এস পি টেব্লেট, এন টেন, ৱর্ল্ড ইজ য়োরস চবুন চবুন ফারে। লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরগনি। মতাং অসি য়ৌরকপদা য়াম্না ঙকপা অমনা সাপোন কেপ উবদা তনবা অমদুম য়াওশিল্লক্লে। ইল্লিগেল ওইবা দ্রগ সাপোন কেপ্তা হেক্তা হাপ্লন্মী। সাপোন কেপ নৎত্রগদি মখোয়গী হীদাক্তু হাপ্পবা পাত্র অমত্তা লৈত্রবা জাৎলা? সাপোন কেপ মপুল মপুল ফাবগী পাউ তামন্দনা উমন্দনা ঐদি সাপোন কেপকী মহুত্তা ষ্টিল প্লেট মচাদু য়োৎপীনা য়াইঙং শীৎনবা শীংচিৎকুম য়োৎপীনা মহুৎ মহুৎ হুৎলগা হকচাং সাপোন নৎত্রগা ফীশু সাপোন, কোনফেং সাপোন ভীমগুম্বসু হাপচরে। সাপোন কেপকী ৱাসি উরুবদা, তারুবদা পুমপেন হেক পেঞ্জরে। হয়েংসু, হংচীৎসু ফাগদবগী ঙাইরিবা দ্রগৱালাশা নখোয়গী দ্রগ হাপ্পবা পাত্রদু অমদি শিন্দোক্লো। অদুগা মসিমগা খঞ্জিল্লো জেলনা, প্রিজননা নখোয়বু খৌরাংনা ঙাইরি।

নুংতি নুমিৎ খুদিংগী দ্রগ ফাবগী পাউ তামন্দনা মণিপুর স্পোর্টসকী অফাওবা প্লেয়র পুথোকপদা মমিং চৎলবনি হায়না মমিং চৎলগসু তশেংনা ইকায়বা অমা ফাওরক্লে। মোরেদা, খুদেংথাবীদা, পল্লেলদা, ককচীংদা, থৌবালদা, লিলোংদা, অসোম সাউথ ৱেষ্টর্নলোমদা হায়রগনা চুড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফাই। খরা হাইগৎলক্লগনা ক্বাক্তা, মোইরাং, বিষ্ণুপুররোমগী লম্বীশিংদা মথং মথং অসুম হাইগৎলকপদগী কাংপোকপী, সেনাপতি, মাও লাম্থোকখিদুনা দিমাপুর, গুৱাহাটি, কোলকটা, ইন্দিয়াগী নেসনল কেপিটেল দেল্লী য়ৌনা দ্রগ ফাবা খুদিংগী মণিপুরী মচা ঙাক্তা ওইরম্বসি তশেংনা ইকায়বগী ইকায়বমক্তনি। মদুসু লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরগনি। ইন্টরনেসনল মার্কেটতা বিল্লিয়ন দোল্লর দোল্লর য়ৌরম্লনি। পাউচে পাবদা নুংতিগী থেংনরিবসি লুপা ক্রোরগী ৱারী ঙাক্তনি। মপুন্সিদা লুপা ক্রোর অমা উবসিবু কনা য়াওরবগে। চাদা ৯৯গুম্বদি লুপা ক্রোর উদবমক্তনি। লুপা ক্রোর ময়ামদু শেল ওইনা ফন লাউনা চোংথোরক্লগদি মণিপুর শেম্বা মতমদা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা লম্বা তৌবা ঙমগদবা মান্দে। দ্রগ পুথোক পুশিন তৌরিবশিংসু অপুমন লুপা লিশীং ৫০/৬০ নৎত্রগা লাখ ৪/৫সু হায়রসি লৈমন্দবদগী, পাম্বৈ লৈতবদগী হিংনবা হোৎনবদা হিংলগা হিংলে, শিরগা শিরে নৎত্রগা জেলদা শেল অমত্তা তিংদনা হৱাই থোংবা চারগা পুন্সি অসি লেঞ্জখ্রসু কায়দ্রে খন্না চত্থরকপা করবার শোয়দনা ওইরমগনি। দ্রগনা লাইচুহন্দুনা মী তখৎতনা হাৎলি হায়বসিবু খঙদবা কনা লৈরমগনি। করবার হায়বসিসু অঙকপগী অঙকপা মীনা থাজদবা করবার কয়া লৈরমগনি। অদুগা খ্বাইদগী লেম্বা করবার হায়রগদি সনাগী করবারসিসু অমনি হায়রনি। সনা বিস্কিট নহান মোরেদগী লুপা ক্রোর ৩ হেনবগী ফাখিবদু নুপা থোকই, লেম্মীদুম হায়নীংই। কষ্টমসতা শিন্নখ্রে হায়রি। মণিপুরদা ফাখিবা সনা বিস্কিটকী মশীংসি য়ামখ্রে। পৈখৎলগদি চীংঙা চীংমুক ৱাংলগনি খল্লি।

মসিমক্লি হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা চত্থনরক্লিবা থৌওং অসি। মতাং অসি য়ৌরকপদা করিনোমা অমুক নীংশিংলক্লি- ''সর্ভাইবেল ওফ দ ফিটেষ্ট!'' কনানা হায়রম্মী, কনানা ফোঙদোক্লম্মী হায়বগী ৱা পুমতোক তোকথোকখ্রগা অদোম অদোম্না হেন্না খঙবীরম্লগনি খঞ্জে। হায়বদি মহাক্কী ৱাহৈশিং অদুদি মালেম অসিনা হেক মুৎত্রিবমখৈ অদুম হিংদুনা লৈহৌরগদবা ৱাহৈ খরনি। মৈতৈলোন্দা হায়রগা অঙম অঙম্বা শেৎতোক চাতোক্লবা অঙম অঙম্বনা হিংহৌবগী ৱা অমা লাক্লি। মসিসু চুমদে করম হায়সিগে। শেৎতোক্লবীনি, চাথোক্লবীনি। মরমদি মালেম অসিদা মী ওইনা নোক্লকপা মশীং অসি দিকেট খুদিংগী অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। মালেম পৃথি অসিগী পাক চাওবদি হেনগৎলক্তে। রবরগুম্না চিংথোক্লগা পাকথোক চাউথোরকপা হেনগৎলকপসু নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনা পারবদা মীশিং ক্রোর ১৩০গী মথক্তা হেনগৎলক্লে হায়রি। মদুদা পীকখ্রবা মণিপুরনা মীওই লাখ ৩০ মুক্তা ওইগনি পানরি। মালেম পূম্বগী ওইবা মীশিং ক্রোর হায়গেরা মিল্লিয়ন, বিল্লিয়ন য়ৌদ্রগসু ৮০০ গুম্বদি শুজিল্লক্লে। মখোয়গী লৈফম কদায়দনো। চাক্লা, তললা নুংতিগী চানবা চিঞ্জাক ৱাৎপা য়াদে। ঈশিংসু থক্কনি, শ্বরসু হোনগনি, জীব পানবা অমা ওইনা হিংনবা হোৎনরকপদা অঙম অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্লরক্তুনা হোৎনবদা মতারক্লি। শ্বায়দনি মীয়াম্না ঙাঙনরিবা, শক্লরিবা, মালেম অসিনা খাঙবা লাকপা ঙমদ্রদুনা নোংমদি পোকখায়রকপা শোয়রোই।

মরমশিং অসি ওইবনা মীওইবনা হিংবা ঙম্নবা মাগী মাগী অরৈবা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনরকপদগী হৌজিক মালেমদা শান্তি হায়বদু লৈত্রে। খুদম :- মণিপুর কৌবা পীকখ্রবা লমদম অসিদা মানা মানা থোকপা হিংনবা হোৎনরকপদা জাৎ জাৎকী থৌওং কয়া চত্থনরক্লিবা অসি। মালেম অসিদা পোকপদি মী ওইনা পোক্লুরে, হিংবা ঙম্নবা জাৎ জাৎকী থৌওং কয়া চত্থরকপনি খঞ্জে। ইবদদি, চেদা তাবদদি য়াম্না ফজবা, অদুগা হিংনবা হোৎনবদদি অসুক্কী মতিক ৱাবা প্লানেট ৮ লৈরিবা সোলর সিষ্টমগী মনুং চনবা (হান্নদি প্লানেট ৯ হায়রম্বনি) মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ ফংবা মফম অসিদা ওইরক্লি। অমুক্কসু খল্লি ঙসিদগী চহী ১০/২০গী মতুংদা ওইরক্কদবা ফীভম কিনীংঙাইনি। মসি পিকখ্রবা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টতা লৈবা লমদম অসিখক্তগী ৱাসু নত্তে। মালেম পূম্বগীনি। ইজরিবা ঐহাক মালেম পূম্বা কোয়না চৎলুবা ঙম্বগী শক্তিসু লৈজদে। তৌবতবু ইনক নকপা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মফম খরা, অগরটালা, মেঘলায়াগী, শিলোং, অরুনাচল প্রদেশকী ইটানগর, আইজোল, নাগালেন্দগী কোহিমা মথং-মথং...। চাওখৎপদি মাল্লগা লমদমশিং অদুগী মীয়াম অদুক্কী মতিক ৱাহৌই। হৌজিক মণিপুরদা ঈশিং ফংলক্তবদগী তাঙবদগী ত্রাইবেল ইচিল ইনাও, ইচল ইচেশিংনা ৱানা শাবা অশংবা থুম্মোক ছম য়ান্দুনা লোকখাদা কুমথদুনা ঈশিং ফংবা মফম, ইফুৎ, স্প্রিং থিদুনা ৱানা ঈশিং শোকপা থেংনরকখি। অইবনা থেংনজরকপা মতৌদি মালহল্লগা নুংঙাইবা শারগা অৱাবগী থৌদোকশিং মথং মথং থেংনরকই। মসিসু মীয়াম্না তানীংদবা পাউ অমনি খঞ্জে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মখোয়গী অরোনবা থৌরাংদি লাইনীং লাইশোন্দা ময়াং মখোয়গী মীখা পোলহন্নবগী থৌরাংদা ঐখোয়গী মতমদুগী তুংগী পোরম উবা ঙমখিদবা মৈদিংঙুশিংদুগী অশোনবনি/অশোয়বনি। হায়রিবা থৌওংসিদগী হেনজিন্না মশু শুথাং ওইবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী সনা হাক্তক্তনা ''কৃষ্ণ/গোবিন্দ'' অতৈ লাই মশক মমিং, লোনয়ান ময়াম অমা, ফিচেৎ চাকচা, মিৎকী কুম্মৈ, লাইনীং লাইশোনগী চৎন-কাঙলোন - ''ইনাৎকীদা উচাল মৈরা কৎপবু মখোয়গীদনা আর্টি অসিনচিংবা কয়া পুশিল্লক্তুনা ইনাৎ লাইনীং লাইশোনবু মীরমগী লাইনীং লাইশোনগী মীখা পোলহন্নবা থেংখাং কয়া হোৎনদুনা লাকখিবদা ইনাৎকী অশেংবা লাইনীং লাইশোন অমদি লিচৎপু নুংশিখ্রবা থৱায় চেক্লাগা মমল তিক্লদুনা লাকখিবা কয়া কয়ানি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীরম লাইনীং লাইশোনগী মীখা থাবগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোন অমদি লিচৎ পামজবা মশীং হেনগৎলক্লিবসিনা খুদম চাংদম ওইরবনি।

য়াম্না শম্মনা হায়জরবদা- ''কংলৈপাক্কী অহানবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা (খৃ: ৩৩-১৫৪) গী মতমদগী কংলৈপাক্কী লাইনীং লাইশোন ওইনা লৈরকপগা কংলৈপাক্কী য়াঙ্খৈ শুবা মৈদিংঙু পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী লমখাংদা চঙলকপা হৌখিবা মীরম লাইনীংবু খরা হেন্না মপূং ফাহন্নবা মশু শুথাং ওইবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা (অহানবগী ওইনা খৃ: ১৭৫৯-১৭৬১) দা থোয়না অকনবা শাফু লৈখিদবদু অনীশুবা ওইনা মৈদিংঙু ওইবা মতম খৃ: ১৭৬৩-১৭৯৮দদি মীরমগী লাইয়াম, লোনয়ান ময়াম অমা চঙলকখিবনি হায়বসি মীরম লাইনীং পাম্বশিংনা হান্না খঙবীরগা ঐখোয়না য়োকখৎকদবা অশেংবা লাইনীং লাইশোন অমদি ঈনাৎসি করম্বনো হায়বসি মখা তানা খন্থবীয়ু''।

য়াম্না নুংঙাইবা, নাকল অমরোমদা পূক্লিং য়াম্না নুংশিনা নুংওনবা লমদমসিগী অরিবা মতম হায়বদি খৃ:না পোকত্রিঙৈগী চহী কয়াগী মমাঙগী ৱাফম/ৱারী নীংশিংলকই। নুমিৎ কাপ্পা হায়বা য়াম্না লিরবা পুয়া লাইরিক্তুদা খুৱাই নোংচেংপম পিবা (খ্বাই নুংজেং পিবা) তেন কাপ্পা য়াম্না হৈবা নুপা (খম্বা) অমা লৈরম্মী। মহাক তেন কাপ্পদা কয়াম হৈবগে অমদি তেন কাপ্পদা মখূৎ কয়াম চুম্বগে হায়বদা ''তেনকাপ খুদিংদা মহাক্লা পালহন্নীংবা মফমদা পালহনবা ঙম্মী।'' মদুগীদমক মমিং চৎখি। কোন্নথংদা, খ্বাই নুংজেং পিবাদসু নত্তনা খৃ: ৫১৮-৫৬৮ ফাওবদা পানখিবা মৈদিংঙু সামৈরাং (৯শুবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ) গী সনা হাক্তক্তা অঙোম নিংথৌ ক্বাকপা থৱান থাবনা নিংথৌ খুভম মুন্নবা মৈদিংঙু সামৈরাংগী মথক্তা লান হৌরকপদু লান কন্না শোক্লবা মতুংদা অঙোম নিংথৌ ক্বাকপা থৱান থাবা হাৎলম্মী। অঙোমগী লান্দা য়াওরুবা লৈবাক্কী অকন অথৌশিংবু সনা কোনুংদা চাক খাংদুনা পীজবা ইহান হানবা মৈদিংঙু সামৈরাংনা ওইদুনা হৌদোকখি। মৈদিংঙু সামৈরাংগী সনা হাক্তক্তা খুমন নিংথৌ কাচেং ৱায়েনবনা চোথে থাংৱাই তেলহৈববু মরুপ শান্নমিন্নরগা খুমন ময়ূমদা চাক কৌবদু চাক চারবা মতুং ঙহাক হিপ্তুনা পোত্থারিঙৈদা হান্না শিন্নবা খুজিল থৌরাংগী মখাদা ফুনাল তেলহৈবগী মমিৎ অনীমক কোৎথোক্লবা মতুংদা নিংঙাই শংদানবা অমা অমুক থোরকখি। মদুদা ''মমিৎ অনীমক কোৎথোকপীখ্রবা, তেন কাপ্পদা কয়াম হৈবগে হায়না মমিং লৈরিবা, ফুনাল তেলহৈবনা খুমন নিংথৌ কাংচেং ৱায়েনবা অমসুং মাগী নুপীবু তেন্না কাপ্তুনা হাৎতোকখিবগী অশেংবা থৌদোক ৱারী লৈরি।''

থমজনীংলিবা ৱাফমদি মীরমগী মহাভারতকী তেন কাপ্পদা মখূৎ য়াম্না চুমই, হৈ হায়বা পাণ্ডবকী অহুমশুবা মচানুপা ওরিষাগী কলিঙ্গগী মনাক্তা লৈবা 'মণিপুর/মণিপুরা' কৌবা বে ওফ বেঙ্গোলগী ময়া নক্লা লৈবা মফমদু য়ৌরম্লগা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মতম অমগী অসামগী অপূনবা শরুক্তা/মচেৎ অমদা ফাওবা য়ৌরমদনা/লানশিল্লমদনা চৎখ্রগা শেমজিন শাজিনবা ৱারী অমদা ১৮শুবা চহীচা হৌরকপদা শান্তিদাস গোসাই কৌবা অমনা কংলৈপাকসিদা লাকখিবদা মতমদুগী মৈদিংঙু পামহৈবনা অয়াবা পীরুবদগী 'মণিপুর' কৌরক্লবসু লমদমসিগী য়েলহৌমী অয়াম্বনদি কংলৈপাক (মণিপুর) কৌনীংবগী অপাম্বা লৈরিবা চীংলৈবাকসিবু অদুঙৈ মীগা লাইগা শম্নরিঙৈগী মতমদা থোকখিবদুম্না মীরমগী ৱারেংবা হৈবদুনা ইবদা য়াওদবা লমদম কংলৈপাক (মণিপুর) সিবু ময়োল লমগী মীওইশিং হায়বদি - ময়োল লৈঙাক পায়বদা য়াওবা/হিন্দু লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) বু হিমায় চুম্বা লূপলোয়/কংলাদা ইবুধৌ পাখঙবগী পাফল য়াওবা অচৌবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা/ইমা ইবেলশিংনা ইরমদমসিবু কন্নবা হোৎনবগী অকনবা খোঙজংশিং - নুপীলাল হায়না খঙনরিবসিগী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা হীরম অমত্তদা মরী মখোং শম্নদবা ৱাফম লমদমসিদা মথৌ অমগী লাকপদা শেরান্না হায়জিল্লম্বগী অমদি মখোয়গী লুচিংবা খরগী মমি লোন্না থমজিন্নবা হোৎনরম্বদগী খঙনরকপদা ৱাথোক ওইখিবা থৌদোক কয়া মতাং মতাংগী ওইনা লৈখ্রে। অদুনা য়েলহৌমীশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা মিৎ-নাকোং শিংনা লৈবগী মথৌদি অদুমক লৈরি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি হন্দক চৈচৎ ৬/১/২০২৩, ৱাকচীংগী থানিল ইরাইদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ষ্টেট অসিদা লাক্লম্বা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাবগা লোয়ননা খরগীনা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লম্বদা, মণিপুরগী পুৱারীগী মরমদা ঙাঙলম্বা অরানবা ৱাফমশিং - ''মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরী অমসুং মীতৈশিংবু অর্জুনগী চাদা নাওদা, মচা মশুনি হায়রম্বসি লাইবক থীবনি, অথুবা মতমদা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি'' হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবসি য়াম্না চুম্বা অমদি হায়ফম থোকপা ৱাফমনি হায়জনীংই। (হুইয়েন লানপাউ অমদি সঙাই এক্সপ্রেস- তাং ৯/১/২০২৩, নিংথৌকাবা)।

চৈচৎ ৬-১-২০২৩দা মোইরাংগী চেঙ্গে লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীয়াম চোন্না তিনবা মফমদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগা মহাভারতকা মরী লৈনহন্দুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু শোয়খ্রে হায়না মণিপুরগী মীয়ামদা ফোঙদোকফম থোকই হায়না অমুকোনা হায়বগা লোয়ননা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা য়ানীংদে হায়নসু ফোঙদোকখিবা ৱাফম - হুইয়েন লানপাউ অমদি সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসন অনীমক্তা চৈচৎ ১৩-১-২০২৩দা য়াওরকখিবসি হায়ফম থোকই, অইবা ইশাগী ওইনসু য়াম্না কন্না য়াজনীংদে। নুমিৎসিমক্কী পাউচে অনীসিদা মখা তানা অমুকোনা ফোঙদোকখিবদা - অমিট শাহনা মণিপুরগী মিঠ, লেজেন্দ অমদি হিষ্ট্রিবু পুল্লপ নাথৈরম্লগা মহাক্কী ৱাখলনা শাবা নৎত্রগা অতম্লনা খূৎশেমগী ওইবা ৱারী অমা শেমগৎতুনা মণিপুরগী ''নুপী অমা মহাভারতকী অর্জুনদা লুহোংখি অমদি মদুগী মচা অদু মহাভারতকী লান্দা য়াওখি'' হায়বনচিংবা ৱাফম অমা ফোঙদোকখিবা অদু য়াম্না মরম চাদে। মরম চাদে হায়বসি মখাগীসিনসু অদুম তাকচরবনি খঞ্জে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।